# চাইনাগী মিং পন্দনা ইন্টরনেসনল লোশিং লান্না ৱাহন্থোক পীরিবা লৈবাকশিংনা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাঠনা চৈখ্রে

মুম্বাই/ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ২১ (এজেন্সী):
ইন্দো-পেসিফিক রিজনদা উবা ফংলিবা চাইনাগী এক্সপান্সনিষ্ট পোলিসিবু নোংমাইজিং নুমিৎতা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাঠ সিংহনা চৈখ্রে। মশাগী অনিংবা-অপাম্বশিংদমক ফংনবা হোৎনবদা অসিগুম্বা থৌদাং মশক খঙদবা লৈবাকশিংনা ইন্টরনেসনল লোশিং লান্না ৱাহন্থোক পীরি হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

লৈবাক অসিনা শাজবা লালগী জহাজ ভিসাখাপটনমবু নোংমাইজিং নুমিৎতা ইন্দিয়ন নেভিদা ফোর্মেল ইন্দক্সন তৌবগী মুম্বাইদা পাঙথোকপা থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা সিংহনা হায়খি, মশানা তৌজবা থবকশিং অমসুং ঙাঙথোকখিবা ৱাফম কয়াগী থৌদাং লৌজবা ঙমদবা লৈবাক খরনা মশাগী ওইজবদা খনবা অখুবা মীৎয়েংদা ইন্টরনেসনল লোশিংবু লান্না ৱাহন্থোক পীরি।

মখোয়গী অপান্না মওংদা ৱাহন্থোক পীবা অসিনা রুলদা যূম্ফম ওইবা মেরিটাইম ওর্দরদা অকায়বা চাওনা পীরকই। ঐখোয়না ইন্দো-পেসিফিক অসি রুলদা যূম্ফম ওইবা, নিংতম্বা নেভিগেসন তৌবা য়াবা, ফ্রী ট্রেদ য়াবা অমসুং য়ুনিভর্সেল ভেল্যুশিং ইকায় খুম্নবা লমদম ওইহনবা পাম্মী।



শরুক য়ারিবা লৈবাকশিংগী অপাম্বশিংদা অকায়বা থোকহল্লোইদবনি। ইন্দো-পেসিফিক রিজনবু অয়েৎ-অপন লৈহন্দবা, সিক্যুর ওইহনবা অমসুং খুদোংথীনিংঙাই মফম ওইহন্দবা হায়বসি ইন্দিয়ন নেভিগী মরু ওইবা পান্দম্নি হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

রাজনাঠনা হায়খি, ইন্দিয়াগী অপাম্বশিং ইন্দিয়ন ওসিনগা হকথেংননা মরী লৈনৈ অমসুং মালেমগী ইকনমিদা লমদম অসি য়াম্না মরু ওই। পাইরেসি, টেররিজম, ইলিগেল স্মগ্লিং (খূৎলায় অমসুং নার্কোটিক্স), হ্যুমেন ত্রাফিক্কিং, ইলিগেল ফিসিং অমসুং ইনভাইরনমেন্টতা অমাঙ-অতা থোকহল্লি। মরম অদুনা ইন্দো-পেসিফিক রিজন অপুন্বদা ইন্দিয়ন নেভিগী থৌদাং য়াম্না মরু ওই।

ভিসাখাপটনম ক্লাসকী দিষ্ট্রোয়র মরিগী মনুংদা অহানবা ওইরিবা নেভিগী জহাজ অমা ফোর্মেল ইন্দক্সন তৌবগী থৌরম রাজনাঠনা প্রিসাইদ তৌখিবনি। দিষ্ট্রোয়র অদু ইন্দিয়ন নেভিগী ইন-হাউস ওর্গনাইজেসন দিরেক্টরেট ওফ নেভেল দিজাইননা দিজাইন তৌরগা মাজাগোন দোক সিপিবিল্ডর্স লিমিটেদ, মুম্বাইনা শাবনি।

মসিগী মমাঙ থাংজ নুমিৎতা পিথোরাগরদা পাঙথোকপা সহিদ সম্মান য়াত্রাদা শরুক য়াখিবা দিফেন্স মিনিষ্টরনা অনৌবা অমসুং মতিক ময়াই লৈরবা ইন্দিয়ানা য়েক্নবশিংদা মতিক চাবা পাউখুম পীগনি অমসুং মখোয়না লৈবাক অসিগী মরা তপ্পা ফিভম থুগায়নবা হোৎনরকপদা লমন খুন্নগী খোঙথাং লৌখৎকনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সিংহনা মখা তানা হায়খি, ইন্দিয়াগী মরা তপ্পা ফিভম থুগায়নবা পাকিস্তাননা হোৎনবা য়াবা খূদিংমক হোৎনরি। তৌইগুম্বসুং ইন্দিয়ানা মখোয়দা ময়েক শেংলবা মেসেজ অমা পীদুনা খূৎ হল্লক্কনি হায়বসি খঙহনখ্রে।

চাইনাগী মিং পন্দবীদা সিংহনা হায়খি, খঙফম থোকপশিং খঙদবা যূমথংনবা লৈবাক অমসু লৈ। কুমাওন বট্টালিয়ন থাগৎলদুনা মহাক্না হায়খি, ঐখোয়গী থৌনা ফরবা জৱান ১১৪না লৈবাক্কীদমক মথ্বায় কৎত্রিঙৈদা চাইনীজ লান্মী ১,২০০ হেন্না হাৎলমখি হায়না ঐঙোন্দা তল্লক্লে। কুমাওন বট্টালিয়নগী জৱান ১২৪না অঙকপা থবক অদু পাঙথোকখিবনি। মদু লৈবাক অসিনা কৈদৌঙৈদসু কাওররোই। নভেম্বর ১৮দা রেজাং লাদা চৎখিবা দিফেন্স মিনিষ্টরদা ৱাফম অসি তল্লকখিবনি।

# ঈচাওনা লম্বী, রেল রুটশিং অমাঙ অতা থোকহনখ্রে, ট্রেন কয়া কেন্সেল তৌখ্রে

অমরাবতি, নভেম্বর ২১ (এজেন্সী):
অন্ধ্র প্রদেশতা পাক্তক্লনা ঈশিং-ঈচাও থোক্তুনা লম্বী-থোং অমসুং রেল রূটশিংদা অমাঙ-অতা থোকপগা লোয়ননা ট্রেন কয়া লম্বী থৈখ্রে নৎত্রগা কেন্সেল তৌখ্রে অমদি লম্বীশিংদা গাড়ী কয়া থৌবা য়াদনা লৈখ্রে হায়রি।

গ্রান্দ ত্রঙ্ক রুট চেন্নাই- ভিজায়াৱাদা ভেলি পরিংদা ট্রেন ৪২ কেন্সেল তৌরে হায়না রেলৱেজগী ওফিসলশিংনা লাউথোরকখি। ঈচাওনা শোক্লবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা নেলোরদা রেলৱেজগী ট্রেকশিং ঈশিং থুমজিনখিবদগী ট্রেনশিং চেনবা লেপখি।

সাওথ সেন্ট্রেল রেলৱে (এম সী আর)না ফোঙদোরকপদা, ভিজয়াৱাদা দিভিজনগী নেলোর পাদুগুপাদু সেক্সন অমসুং গুন্টাকাল দিভিজনগী রাজমপেট-নন্দালুর সেক্সনগী মরক্তা ঈচাওগী ঈশিং হাজিল্লকপদগী ট্রেনশিং কেন্সেল তৌখি।



কেন্সেল তৌখিবা ট্রেনশিংদুগী মনুংদা ভিসাখাপটনম-কাপাদা, তিরুপতি-হজরত নিজামুদ্দিন, চেন্নাই সেন্ট্রেল-সী এস টি মুম্বাই, তিরুপতি-নিজামাবাদ, চিট্টুর-কাচেগুদা, চেন্নাই সেন্ট্রেল-এল টি টি মুম্বাই, তিরুপতি-কোলহাপুর, গুদুর-সেকন্দরবাদ, ভিজয়াৱাদা-চেন্নাই সেন্ট্রেল কাকিনাদা টাওন-তিরুপতি, অদিলাবাদ-ঐচ এস নন্দেদ, লিংগমপল্লি-তিরুপতি, হাইদরবাদ-টাম্বারাম, হাইদরবাদ-চেন্নাই সেন্ট্রেল, সেকন্দবাদ-গুদুর, সেকেন্দরবাদ তিরুপতি অমসুং তিরুপতি-অদিলাবাদ য়াওরি।

সোমাসিলা রিজর্ভর পাথোকপদগী থোকপা ঈচাওনা চেন্নাই কোলকটা নেসনল হায়ৱে-১৬তা অমাঙ-অতা থোকহনখি। পাদুগুপাদুদা ঈশিং পাশিল্লকপদগী বিজয়াৱাদা অমসুং নেলোরগী মরক্তা লৈরিবা হায়ৱেশিং চথোক-চৎশিন লেপখিবগা লোয়ননা কার লিশিং কয়া পন্দুনা লৈনখি।

নেসনল হায়ৱেশিংদা ত্রাফিক জার্ম ওইবদুনা মরম ওইদুনা গাড়ী কয়া লম্বী থৈখি। বস সর্ভিসশিং লেপখিবদগী নেলোরগী বস ষ্টেসনদা মীওই চা-কয়া পন্দুনা লৈখি। চিট্টুর অমসুং কাদাপা দিষ্ট্রিক্টশিংদা ঈচাও থোকপদগী বস অমসুং ট্রেন পেসেঞ্জর চা-কয়াসু মচি মচিদা পন্দুনা লৈখি।

টেম্পল টাওন তিরুপতিগী মফম কয়া ঈশিং থুমজিনখিবদগী মীওই কয়ানা রিলীফ ঙাইদুনা লৈনখি। ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মরিদা নোং কন্না চুবদগী থোক্লকখিবা ঈশিং-ঈচাওদা মীওই ২৪ শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই কয়া থিবা ফংদ্রি। কুদাপা দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ১৩ শিখি অমসুং অনন্তপুরদা মীওই ৭ অমসুং চিতুরদা মীওই ৪ শিখি।

## সীট অনী রিজর্ভ তৌরগনি

গুৱাহাটি, নভেম্বর ২১ (এজেন্সী):
অসামগী মেদিকেল কোলেজ-শিংদা ভুতানদগী লাকপা মহৈরোয়-শিংগীদমক্তা য়ামদ্রবদা সিট ২ রিজর্ভ তৌরগনি। একাদেমিক চহী অসিদগী হৌরগা অসামগী মেদিকেল কোলেজশিংদা ভুতানগী মহৈরোয়শিংগীদমক্তা সিটশিং অদু রিজর্ভ তৌরগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা ভুতানদা লৈবা ইন্দিয়ন এম্বেসেদর রুচিরা কম্বোজনা হায়, অসাম গভর্ণমেন্টনা একাদেমিক চহী অসিদগী হৌরগা ভুতানিজ মহৈরোয়শিংগীদমক্তা এম বি বি এস সিট ২ রিজর্ভ তৌরগনি। মসি লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরী ফগৎহন্নবগী পান্দমদনি। মসিগী মমাঙদা ভুতানিজ গভর্ণমেন্টনা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্বা সর্মাদা ষ্টেট অসিগী মেদিকেল কোলেজশিংদা ভুতানগী মহৈরোয়শিংগীদমক্তা সিট খরগী রিজর্ভেসন পীবিনবা হায়জখিবনি।

# লৈবাক অসিগী নন-মেদিকেল ওঝা ৩,০০০ রোম থবক তৎপা য়াবগী অকিবা লৈরে

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ২১ (এজেন্সী):
নেসনল মেদিকেল কম্মিসন (এন এম সী)না পীবা অনৌবা গাইদলাইনশিংদা লৈবাক অসিগী মেদিকেল কোলেজশিংগী নন-মেদিকেল এম এস সী ওজাশিংগী ফম কা হেন্না হন্থহনবদগী নন-মেদিকেল ওঝা ৩,০০০ লোম থবক তৎপা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়রি।

নন-মেদিকেল ওজাশিং রিপ্রজেন্ট তৌরিবা বোদি নেসনল এম এস সী মেদিকেল টিচর্স এসোসিএসন (এন এম এম টি এ)না মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থতা ৱারেপ অদু হন্দোক্নবা তকশিনখ্রে। নেসনল মেদিকেল কম্মিসননা রিক্রুটমেন্টতা নন-মেদিকেল ওজাশিং লৌবা চাং য়াম্না হন্থনবা রিক্কমেন্দ তৌবদগী নন-মেদিকেল ওজা ৩,০০০ রোম থবক্কী ক্রাইসিস মায়োক্নরকপা য়াই হায়না কিবদগী ৱারেপ অদু হন্দোক্নবা তকশিনখিবনি।

গাইদলাইনশিং অদু রিভোক তৌনবা তকশিল্লদুনা মিনিষ্ট্রি অসিদা সবমিট তৌবা লেট্টর অমদা এন এম এম টি এনা হায়খি, অনৌবা গাইদলাইনশিং অদু হন্দোকপনা ইন্সটিট্যুটসনশিং অদুগী ফেকল্টি ক্রাইসিস কোকহন্দুনা ওজাশিংবু মতেং পাংগনি।

কুমজা ২০২০গী ওক্টোবরদা মেদিকেল এদ্যুকেসন রেগ্যুলেটর অসিনা ইস্যু তৌখিবা গাইদলাইনশিং অদুদা নন-মেদিকেল ফেকল্টিগী ফম লৌবদা এনাটোমি অমসুং ফিজিওলোজিদা চাদা ৩০দগী ১৫ হন্থনবা, বাইওকেমিষ্ট্রিদা ফম চাদা ৫০দগী ১৫দা হন্থনবা অমদি মাইক্রোবাইওলোজি অমসুং ফার্মাকোলোজিদা চাদা ৩০দগী চাদা জিরোদা হন্থনবা রিক্কম্মেন্দ তৌখি।

অনৌবা গাইদলাইনশিং অসিনা মথৌ তৌদুনা লৈরিবা হৌজিক্কী ফেকল্টিশিংদা শোক্লোই অমসুং গাইদলাইনশিং অসি অনৌবা মেদিকেল কোলেজশিং, অনৌবা এপোইন্টমেন্টশিং অমসুং এম বি বি এস সিট মশিং হেনগৎহন্নবা হোৎনরিবা কোলেজশিংদা এপ্লাই তৌবা য়াই হায়না এন এম সীনা ক্লেম তৌখ্রে।

এম বি বি এস এদ্যুকেসনগী নন-ক্লিনিকেল সবজেক্টশিংদা ওঝাশিং হাপ্পা অসি কুমজা ১৯৬০দা হৌখি। মতমদুদা এম সী আইনা মেদিকেল কোলেজশিংগী ওঝাশিং অসিবু দোক্টরশিংগী অৱাৎপা মেনশিনবদা শীজিন্নবা য়াহনখি।

এম সী আইনা পীবা টিচর্স ইলিজিবিলিটি এন্দ ক্বালিফিকেসন্স গাইদলাইনশিংগী মতুং ইন্না, ক্লিনিকেল সবজেক্টশিংদা ওঝা চাদা ৩০দি মেদিকেল ক্বালিফাইদ ওঝাশিং ফংদবগী মতুং ইন্না নন-মেদিকেল ওইহনবা য়াই।

# নোং কন্না চুবদগী চেন্নাইদা দেঙ্গিগী কেস হেনগৎলক্লে

চেন্নাই, নভেম্বর ২১ (এজেন্সী):
নোং কন্না চুবদগী টামিল নাদুগী কেপিটেল চেন্নাইদা মফম কয়া ঈশিং থুন্বগা লোয়ননা সিটি অসিনা দেঙ্গিগী কেস হেনগৎলকপগী ফিভম অমা মায়োক্নরক্লি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা সিটি অসিদা দেঙ্গিগী কেস ১০৫গী রিপোর্ট তৌখি। কোদম্বক্কম অমসুং টেনাম্পেটতনা লায়না অসিগী কেস মশিং খ্বাইদগী হেন্না থেংনখি। হৌখিবা নুমিৎ হুম্নি অসিদা কোদম্বক্কমদা কেস ১৮ রিপোর্ট তৌখি অমসুং টেনাম্পেটতা কেস ১৭ রিপোর্ট তৌখি।



চৈরকসিদা, গ্রেটর চেন্নাই কোর্পোরেসন (জি সী সী)গী ওফিসলশিংনা মীয়ামদা রেসিদেন্সিএল কোলোনিশিংদা ঈশিং তুংহন্দনবা আপীল তৌখ্রে। এজেন্সীদা ৱা ঙাঙলদুনা টামিল নাদুগী হেল্থ মিনিষ্টর মা সুব্রমানিয়ননা হায়খি, নোং লেপ্তুনা চুবদগী অমসুং মফম কয়াদা ঈশিং তুংদুনা লৈবদগী কাঙ মচা পোকপগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্লে। অদুম ওইনমক, মীয়াম্না যূমগী অকোয়বশিংদা ঈশিং তুংহন্দনবা য়ারিবমখৈ হোৎনদুনা কাঙ মচা কোকহন্দনবা হোৎনগদবনি।

ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টনা কোলোনি পুম্নমক্তা হেল্থ কেম্প কয়া পাঙথোক্লি। ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টনা যূমথোঙ খূদিংগী হেল্থ চেকঅপশিং চথবা অমদি হীদাক-লাংথকশিং পীবগী থবকসু হৌরে। জি সী সীনা দেঙ্গি শন্দোরকপা থিংনবা ৱর্কর কয়াগী মতেং লৌদুনা কাঙ মচাশিং হাৎতোক্নবা হোৎনরি। কাঙ মচা পোকহনগদবা মওংদা যূমগী অকোয়বদা ঈশিং তুংহল্লিবা মীওইশিং ফাইন তৌবগী থবকসু পায়খৎলক্লি।

কোর্পোরেসন অসিনা এরিয়া খূদিংমক্তা লৈরিবা লায়না অসিগী কেস মশিং খঙদোক্নবা সর্ভেশিংসু পাঙথোক্লি। জী সী সীগী মখাদা থবক তৌবা ব্রিদ চেক ৱর্কর সৌভাগ্যালক্সমি নরায়ননা ফোঙদোরকপদা লায়না অসি শন্দোরকপা থিংনবা হোৎনবদা মীপূম খূদিংমক্না থৌদাং লৌগদবনি। ঐখোয়না মফম কয়াদা চৎতুনা চেক তৌবা অমদি ফোগ্গিং তৌবা মতমদা ঈশিং তুংলম্বা মফম কয়া থেংনখি। অসিগুম্বা লায়নাশিং শন্দোরকপা থিংনবা মীপূম খূদিংমক্না লৌফম থোকপা থৌদাংশিং লৌগদবনি।

জী সী সীনা মসিগী হেদক্বার্টরদা কন্ট্রোল রূমশিং হাংবগা লোয়ননা ৱার্দ খূদিংমক্তা ফোগ্গিং টিমশিংসু দিপ্লোয় তৌখ্রে।

# ভিনোদ টাউদে বি জে পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি হাপখ্রে

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ২১ (এজেন্সী):
বি জে পিগী প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দানা নোংমাইজিং নুমিৎতা ভিনোদ টাউদেবু পার্টি অসিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি হাপখ্রে।

নদ্দানা পার্টিগী নেসনল সেক্রেটরি অমসুং স্পোক্সপর্সন অনীসু হাপখ্রে। ষ্টেটমেন্ট অমদা পার্টিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি অরুন সিংহনা হায়, ফমশিং অসি বি জে পিগী চীফ জে পি নদ্দানা নেসনল লেভেলদা হাপ্পনি।

টাউদে অসি নেসনল সেক্রেটরিগী ফম পায়রম্বদগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরিগী থাক্তা পুখৎপনি। শক্ন ইরবা মরাথা লুচিংবা অমা ওইরিবা টাউদে হৌখিবা চহীদা নদ্দাগী টিমদা নেসনল সেক্রেটরি হাপত্রিঙৈগী মমাঙদা ওর্গনাইজেসন অসিগী তোঙান তোঙানবা ফমশিং পায়খি।



মরকসিদা, বিহারগী রিতুরাজ সিংহ অমসুং জারদান্দগী অশা লাকরাবু বি জে পিগী অনৌবা নেসনল সেক্রেটরিশিং হাপখ্রে। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ভার্টি ঘোশ অমসুং শেহজাদ পুনাংলাবুনা পার্টিগী নেসনল স্পোক্সপর্সনশিং হাপখ্রে। হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা নদ্দানা উত্তরাখন্দগী হান্নগী গভর্ণর বেবিরানি মৌরয়া অমসুং পার্টি অসিগী ৱেষ্ট বেঙ্গল য়ুনিট চীফ দিলিপ ঘোসপু পার্টিগী নেসনল ভাইস প্রসিদেন্টশিং হাপখি।

হৌখিবা জুলাইদা য়ুনিয়ন কেবিনেট রিসফল তৌখিবদা বি জে পিগী নেসনল ওফিস বিয়রর অহুম মিনিষ্টরশিং ওইহনখিবনি। বি জে পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি ভুপেন্দর য়াদব কেবিনেট মিনিষ্টর হাপখি। পার্টি অসিগী নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট অনাপুরনা দেবী অমসুং বি জে পি নেসনল সেক্রেটরি বিসেস্বর তুদুবুনা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট হাপখি।

# পি এম জি কে এ ৱাই শাংদোক্নবা প্রাইম মিনিষ্টরদা তকশিনখ্রে

ভুবনেশ্বর, নভেম্বর ২১ (এজেন্সী):
প্রধাণ মন্ত্রি গরিব কলয়ান অন্ন য়োজনা (পি এম জি কে এ ৱাই) নভেম্বর ৩০গী মতুং থা ৮ অমগা শাংদোক্নবা ওরিষ্যগী নবীন পটনায়কনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা লেট্টর অমা ইদুনা তকশিনখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরদা ইবা লেট্টর অদুদা পটনায়কনা হায়, ওরিষ্য শীন-থুংনা ভেক্সিনেসনগী দ্রাইভ অমা খোঙজেল থুনা পায়খৎলবসু কোভিদকী অনৌবা কেস মখা তানা থেংনবনা মরম ওইদুনা লায়না অসি ষ্টেট অসিদা মপূং ফানা লাকশিনবা ঙমদ্রি। মসিদা নত্তনা অতৈ শেল-থুমগী এক্টিভিটিশিং পেন্দমিক লাক্ত্রিঙৈ মমাঙদগী লেভেল য়ৌবা ঙমদ্রিবা ওইবনা মীয়াম্না মহৌশাগী ওইবা পুন্সি মহিংগা লোয়ননা হিংনবা হোৎনবদা শেল-থুগী মতাংদা অৱাবা অমা মায়োক্নদুনা লৈরি। হৌজিক লৈরিবা ফিভমশিং অসিদা গভর্ণমেন্টনা শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্নরিবা মীওইশিংদা মতেং পাংবা অসি য়াম্না মরু ওই হায়না খন্নফম থোকই।

কোরোনাভাইরস লাইচৎ মনুং অসিদা য়াম্না মরু ওইরিবা ৱাফম অমদি লায়রবা অমসুং লায়না অসিগী রিস্ক ৱাংনা মায়োক্নরিবা মীওইশিংদা ফূদ সিক্যুরিটি পীবগী চেলেঞ্জ অসিনি। গভর্ণমেন্টতা হৌজিক হৱাই-চেঙৱাই অমদি চানবা অতৈ পোৎলমশিং মরাং কায়না লৈবনা পি এম জি কে এ ৱাইগী মখাদা য়ামদ্রবদা থা ৮ অমগসু নেসনল ফূদ সিক্যুরিটি এক্ট (এন এফ এস এ)গী বেনিফিসরিশিংদা অহেনবা চেঙ অমসুং গেহুগী এলোকেসন পীবিনবা হায়জরি। স্কিম অসিগী মখাদা ষ্টেট অসিগী বেনিফিসরিশিংদা চেঙ লেম্না ফংহনখিবগীদমক্তসু পটনায়কনা প্রাইম মিনিষ্টরবু থাগৎখি।

# ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা লুপা ক্রোর ২.৫ ফাগৎখ্রে

গান্ধীনগর, নভেম্বর ২১ (এজেন্সী):
ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা থা অসিগী ১৮দা কেমিকেলশিং শাবগী থবক তৌরিবা মরু ওইবা গ্রুপ অমদা থি-হুন্বা চথখিবদা শেল ওইনা লুপা ক্রোর ২.৫গা লোয়ননা লুপা ক্রোর ১গী ওইগদবা লীক-কোলশিং ফাগৎখ্রে। থি-হুন্বগী থবক অদু গুজরাটকী বাপি অমসুং সরিগাম লোয়ননা মুম্বাইদা লৈবা প্রেমিসেস ২০ হেনবদা চথখি।

দিপার্টমেন্ট অসিনা ফোঙদোরকপদা দোক্যুমেন্ট কয়া, দাইরি, নোটশিং অমসুং দিজিটেল দেটাগী মওংদা গ্রুপ অসিগী একাওন্টগা চানদবা শেনফমশিং উৎপা দোক্যুমেন্টশিং ফাখি। দোক্যুমেন্টশিং অদুনা কম্পনিগী পোথোকশিং চপ চানা উত্তবা, শেমজিন-শাজিনবা পর্চেজ এনভোয়শিং শীজিন্নবা, শেমজিন শাজিনবা জি এস টি ক্রেদিটকী চে-চাংশিংনচিংবা থীফম থোকপা ইনকম টেক্স থীদনবগী পাম্বৈ কয়া শীজিন্নরম্বা থেংনখি।

এসেসি গ্রুপ অসি ইম্মোভেবল প্রোপর্টি ট্রাঞ্জেক্সনশিংগী শেমজিন শাজিনবা চে-চাংশিংসু পায়রমখি। খূদিংমক অসিনা মরম ওইদুনা গ্রুপ অসি একাওন্টকা চানদবা শেলয়ামশিং তাল্লম্বা থেংনখি।

সার্চ ওপরেসনশিং অদুদা ইম্মোভেবল প্রোপর্টিশিংগী ইনভেষ্টমেন্টকা মরী লৈনবা কেস ট্রাঞ্জেক্সনশিং অমদি কেস লোনশিংগী ইভিদেন্স ওইবা য়াবা চে-চাং কয়াসু ফংখি। থিবা হুন্বা অদুদা থেংনখিবা দোক্যুমেন্টশিং/ইভিদেন্স অদুগী এনালাইসিস মতুং ইন্না গ্রুপ অসিনা পায়রল্লিবা একাওন্টকা চানদবা ইনকম অসি লুপা ক্রোর ১০০ হেনবা য়াই।

# উত্তর প্রদেশতা গঙ্গা ঈ-ৱে প্রোজেক্টকী ইনভাইরনমেন্টেল ক্লিয়ারেন্স পীখ্রে

লক্ষ্ণৌ, নভেম্বর ২১ (এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশতা পায়খৎকদৌরিবা গঙ্গা এক্সপ্রেসৱে প্রোজেক্টকী ইনভাইরনমেন্টেল ক্লিয়ারেন্স পীখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী শাংবা এক্সপ্রেসৱে শাবগী লম্বী ফাংখ্রে।

গভর্ণমেন্ট স্পোক্সমেন অমগী মতুং ইন্না ষ্টেট লেভেল ইনভাইরনমেন্ট ইম্পেক্ট ওথোরিটিনা কিলোমিটর ৫৯৪ শাংবা গঙ্গা এক্সপ্রেসৱে প্রোজেক্টকী ইনভাইরনমেন্টেল ক্লিয়ারেন্স ইস্যু তৌখি। প্রোজেক্ট অদুগী টেন্দরিং প্রোসেস হৌখ্রবনি।

প্রোজেক্ট অসিগী এষ্টিমেটেদ কোষ্ট লুপা ক্রোর ৩৬,২৩০নি। মসি পি পি পি মোদতা শাগনি অমসুং দিজাইন, ফিল্ড, ফাইনান্স, ওপরেট অমসুং ট্রান্সফরগীদমক্তা টেন্দরশিং ইনভাইট তৌরে। এক্সপ্রেসৱে অদু মিরুট-বুলান্সার হায়ৱে পরিংগী মিরুট দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা বিজাওলি ভিলেজদগী হৌগনি অমসুং প্রায়াগরাজ দিষ্ট্রিক্টকী জুদাপুর দন্দুর ভিলেজগা নক্নবা প্রায়াগরাজ বাইপাসতা লোইশিনগনি।

এক্সপ্রেসৱে অদুনা মিরুট, হাপুর, বুলান্সার, অমরোহা, সম্বাল, বদাওন, শাহজানপুর, হরদোই, উনাও, রাই বরেলি, প্রতাপগর অমসুং প্রায়াগরাজ য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট ১২ কোনগনি।

গভর্ণমেন্ট স্পোক্সমেন অসিনা মখা তানা হায়, এক্সপ্রেসৱে অদু লেন্দ তরক্কী এক্সপ্রেসৱে অমা ওইরগনি অমসুং মদু লেন্দ ৮ ফাওবা এক্সপান্দ তৌবগী ফিভম লৈগনি। প্রোজেক্ট অসিগী লেন্দ এক্বিজিসনগী থবক চথরি অমসুং হৌজিক ফাওবদা লম চাদা ৯৪ রোম লৌশিল্লে।

প্রোজেক্ট অসিগী কন্সট্রক্সন মনুংদা মীওই ১২,০০০ লোমদা টেম্পররি ইমপ্লোয়মেন্ট পীগনি। মসিদা নত্তনা টোল প্লাজাশিং শারিঙৈ মনুংদসু অতোপ্পা মীওই ১,০০০সু থবক পীগনি।

# ৱর্ল্ড হিন্দু এৱ্যেরনেস মীট ওর্গনাইজ তৌরগনি

চেন্নাই, নভেম্বর ২১ (এজেন্সী):
পুথিয়া টামিলাগম (পি টি)গী ফাওন্দর অমসুং হান্নগী লেজিসলেটর ডা. কে কৃষ্ণসামিনা হায়খ্রে মদুদি মহাক্কী সেন্টর রাইট-ৱিং পার্টি অসি হৌদোকখিবা চহী ২৫ মপূং ফাবা নুমিৎ দিসেম্বর ১৫দা পার্টি অসিনা শীল-লাংদুনা টামিল নাদুগী সেনকোটাইদা ৱর্ল্ড হিন্দু এৱ্যেরনেস মীট অমা পাঙথোক্লগনি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা কৃষ্ণসামিনা হায়খি, বাংলাদেশতা থোকখিবা কাঙলুপকী ঈরাংগী মায়োক্তা পার্টি অসিনা ওক্টোবর ২৮দা চেন্নাইদা প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। তৌইগুম্বসুং পি টিনা খোঙজংশিং অমদি প্রোগ্রামশিং অসি পাঙথোরকপদা মীয়াম্না হৌজিক ফাওবদা পাক্তক্লনা শৌগৎপগী মওং উদ্রি। পুলিস পর্সনল ৬০০ লোম্না দলিতকী ভিলেজ অমদা রেইদ চথদুনা মখোয়গী লন-থুমশিং মাঙন-তাকহনখিবা অমদি খুঞ্জাশিংগী শেল-থুমগী ফিভমদা চৈথেং চাওনা নংহনখিবা কুমজা ১৯৯৫দা কুদিয়ান কুলমদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা পি টিনা হৌদোরকখিবা ৱাফমশিংদা মীয়াম্না রেস্পোন্স পীনখিদে।

মহাক্না মখা তানা হায়, হন্দক্তা নোং কন্না চুবদগী মহৈ-মরোংশিং মাঙ তাকখ্রবা লৌমীশিংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হেক্টর অমদা লুপা ২৫,০০০গী চাংদা শেলগী মতেং পাংগনি হায়না লাউথোকখিবদু মতীক চামন্দে। অদুনা গভর্ণমেন্টনা লৌমীশিংদা হেক্টর অমদা লুপা লাখ ১.২৫গী চাংদা কম্পেন্সেসন পীগদবনি।

# ‘বি জে পিনা পৱর পায়রক্লবদি ফার্ম লোশিং অমুক চৎনহল্লক্কনি’

মুজাফর নগর, নভেম্বর ২১ (এজেন্সী):
লাক্লিবা মীখলদা বি জে পিনা মায় পাক্লবদি ৱাথোক ওইরবা ফার্ম লোশিং অমুক হন্না চৎহল্লক্কনি হায়না রাষ্ট্রিয়া লোক দল (আর এল দি)না লৌমীশিংদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

মুজাফর নগরগী বগ্রা ভিলেজদা মীতিন অমদা ৱা ঙাঙলদুনা আর এল দিগী প্রসিদেন্ট জয়েন্ত চৌধুরিনা হায়খি, মখোয়না লোশিং অদুবু রিপীল তৌনবা ৱারেপ লৌখি। তৌইগুম্বসু করিগুম্বা মখোয়না লাক্লিবা মীখলদা মায় পাক্পা তারবদি লোশিং অসি অমুক হন্না লৈবাক অসিদা চৎনহল্লক্কনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদা লৌমীশিংবু মহাক্না লোশিং অদুগী মরমদা ৱাখল তাহনবা ঙমদ্রে হায়খিবদু খল্লুবদা মীপাইনিংঙাই ওই। ফার্মিং লোশিং অদু অমুক হন্না চৎনহল্লক্কনি হায়না বিহার গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্টর অমনসু ফোঙদোকপা লৈখ্রে। মসি ঐহাক্না হায়বা ৱাফম নত্তে। বি জে পি লুচিংবশিং অমসুং মখোয়গী মীচঙশিংনা হায়জবা ৱাফমশিংনি।



পুৱারীদা লৈহৌগদবা মওংদা মায় পাকপা ঙমখিবগীদমক আর এল দিগী চীফ অসিনা লৌমীশিংবু হৱাও-তয়াম্বা ফোঙদোকখি অমসুং মখোয়গী খোঙজং অদুনা গভর্ণমেন্টকী অরানবা খোঙথাংশিংগী মায়োক্তা মীয়ামগী থৌনা হাপ্লে হায়খি।

চৌধুরিনা গভর্ণমেন্টতা লৌমীশিংগী খোঙজং মনুংদা মখোয়না কথোকখিবশিংবু নীংশিংখি অমসুং লখিম্পুর খেরিগী থৌদোকশিংদা লৌমী কয়া শিখিবগী মতাং পনখি।

মহাক্না হায়খি, গভর্ণমেন্টকী ফার্ম লোশিংগী মায়োক্তা লৌমীশিংনা চঙশিনখিবা খোঙজংদা লৌমী ৭০০ লোমগী পুন্সি লোমখ্রে। মখোয়গী ইমুংশিংবু লৈবাক পূম্বনা ইকায় খুম্নবীফম থোকই।

লখিম্পুর খেরিগী থৌদোক্তা চেন্নবা অমগী অপোকপা হৌজিকসু মখা তানা মিনিষ্টরগী ফম পায়দুনা লৈরি। মসিগী মতাংদা মীয়াম্না গভর্ণমেন্টতগী পাউখুম পাম্মী।

উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যানাঠপু চৈরদুনা আর এল দিগী চীফ অসিনা হায়খি, অদিত্যানাঠনা করম্না পোলিসিশিং শেমগদগে অমসুং ইমপ্লিমেন্ট তৌগদগে হায়বসি খঙদে। অসিগুম্বা মীওই অমবু চীফ মিনিষ্টর ওইহল্লিবসি ঙক্লিংঙাই ওই। কুমজা ২০১৭তা ষ্টেট অসিদা লুপা ক্রোর লাখ ৪ তোনখি। হৌজিক্তি ষ্টেট অসিগী শেন্দোল লুপা ক্রোর লাখ ৬ শুরে।

হৌজিক লৈরিবা ষ্টেট অসিগী ফিভম অসিদা গভর্ণমেন্টনা ইমপ্লোয়ীশিংগী তলব ফাওবা পীবা ঙম্লোই। মসি ওইদুনসু য়োগি অদিত্যানাঠনা মখা তানা প্রোপেগন্দা শন্দোক্তুনা লৈরি। ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা গভর্ণমেন্টকী ফম ক্রোর ১ ফংহনগনি হায়বা ৱাফম চৌধুরিনা অমুক হন্না পনখি।

করিগুম্বা ঐখোয়বু মীখলদা মায় পাকহন্দুনা লৈঙাক্কী পৱর শিন্নরবদি ষ্টেট অসিগী নহারোলশিংদা গভর্ণমেন্টকী ফম ক্রোর ১ শিন্নগনি। ঐখোয়না মসি ঙমদবা তারবদি ঐহাক ফম থাদোক্কনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## আসুনা সী এ এ রিপীল তৌনবা তকশিনখ্রে

গুৱাহাটি, নভেম্বর ২১ (এজেন্সী):
লৌমীশিংনা চহী অমা হেন্না প্রোটেষ্ট তৌরক্লবা মতুং সেন্টরনা ৱাথোক ওইরবা ফার্ম লো অহুম রিপীল তৌনবা ৱারেপ লৌখিবনা থৌনা হাপ্লবা ওল অসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (আসু)না সিটিজন এমেন্দমেন্ট এক্ট রিপীল তৌনবা অমুক হন্না দিমান্দ তৌখ্রে।

আসুগী চীফ এদভাইজর সামুজাল ভট্টাচার্য্যনা দিমান্দ অসি তৌখিবনি। ভট্টাচার্য্যনা হায়, লৌমীশিংনা কন্না প্রোটেষ্ট তৌবদগী খাংবা ঙমদদুনা সেন্টরনা ফার্ম লো অহুম রিপীল তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে। ৱারেপ অসিনা গভর্ণমেন্টনা অরানবা তৌখি হায়বসি উৎচরে। হৌজিক অসাম অমসুং অৱাং নোংপোক মীয়ামগীদমক্তা গভর্ণমেন্টনা সী এ এ রিপীল তৌগদবনি।

পনবা য়াবদি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱাথোক ওইরবা ফার্ম লো অহুম রিপীল তৌনবা সেন্টরনা ৱারেপ লৌরে হায়না ইরাই নুমিৎতা লাউথোকখিবগা লোয়ননা লোশিং অসিগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরিবা লৌমীশিংদা ময়ূমদা হন্নবা আপীল তৌখিবনি। লৈবাক মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদা গভর্ণমেন্টনা লৌমীশিংগী কান্নগদবশিং খঙদোক্নবা কম্মিটি অমা শেম্লে হায়নসু লাউথোকখি।